**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আই.দি.পিশিংগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবাশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

২) কেন্দ্রগী জল শক্তি রাজ্য মন্ত্রি ভি. সোমন্নানা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা ইমুং লাখ ৩ লিশিং ৫৯ হেনবদা তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে।

৩) সংসদগী নোংজ্ মীফম ঙসি লোইশিন্দুনা মতম কক্তুনা মীফম য়েথোকখ্রে।

৪) রাজ্য সভানা ঙসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা প্রমোসন এন্দ রেগুলেসন ওফ ওনলাইন গেমিং বিল ২০২৫ সংসদনা পাস তৌখ্রে।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি মীখলগীদমক ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপ হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ বি. সুদরসন রেদ্দি ঙসি মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল) ঃ ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই.দি.পি)শিংগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং পাউদমখ্রে। মখোয়না লন্বী-থোং, অমুক হন্না মশাগী ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনদুনা

খুন্দাবা, মহৈ মশিং তম্বা, অনা লায়েং অমসুং য়ুম কৈ শাবগী মতাংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা খঙহনখি। মখোয়গী ৱাকৎশিং মুন্না তারবা মতুংদা রাজ্যপালনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা থবক পায়খৎনবা মাংজোননা খঙহনখিবা লৈরে অমসুং মখোয়গী অৱাবশিং অথুবা মতমদা কোকহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি। মীফম অদুদা হোম কম্মিসনার অমসুং রাজ্যপালগী সেক্রেতরিসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট (এ.ও.আই)গী চেয়ারমেন দিলিপ মংসুলিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওফিসিয়েল অহুমগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। অৱাং নোংপোক লমদমগী অমত্তা ঙাইরবা য়ুনিত অসিদা খ্বাইদগী নৌবা মখলগী সরজিকেল ওনকোলোজি ওপরেসন থিয়েটর লৈরে হায়না উন্নবা অদুদা শ্রী মংসুলিনা রাজপালদা পাউদমখি। মহাকা হায়- লায়েংবা লাকপা কেন্সরনা নারবা অপুনবা মীওইগী চাদা ৬০ দি আয়ুসমান ভারত-পি.এম.জে.এ.ৱাই অমসুং সি.এম.ঐচ.টি কার্দকী মখাদা লায়েংবনি।

জল (এল) ঃ কেন্দ্রগী জল শক্তি রাজ্য মন্ত্রি ভি. সোমন্নানা হায়রি- মণিপুরদা থা অসিগী ১৮ ফাওবদা খুঙ্গংগী অপুনবা ইমুং লাখ ৪ লিশিং ৫১ গী মন্‌ংদা লাখ ৩ লিশিং ৫৯ হেনবদা তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে। মসি অপুনবা ইমুং মনুংগী চাদা ৭৯.৫৯ নি।

লোক সভাদা ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হংবা ৱাহং অমগী অইবা ওইনা পীবা পাউখুমদা রাজ্য মন্ত্রিনা হায়- জল জিবন মিসন হৌদোকখিবা মতমদা মণিপুরগী খুঙ্গংগী ইমুং মনুংগী লিশিং ২৬ খক্তমক তোতি ঈশিং কন্নেক্সন লৈরম্মী। রাজ্য সরকারনা চৎলিবা থা অসিগী ১৮ দা পীরকপা রিপোর্ট মতুংইন্না খুঙ্গংগী অহেনবা ইমুং মনুং লাখ ৩ লিশিং ৩৩ দা তোতি ঈশিং কন্নেক্সন পীখ্রে। রাজ্য মন্ত্রিনা হায়- জল জিবন মিসনগী মখাদা থকবা ঈশিং হায়বসি ষ্টেট সবজেক্ট ওইবনা থকবা ঈশিং ফংহন্নবগী স্কিমশিংগী প্লান্নিং, এপ্রুভেল,

ইমপ্লিমেন্টেসন, ওপরেসন অমসুং মেন্টিনেন্স অসি রাজ্য সরকারগী মখুৎতা লৈ। ভারত সরকারনা টেকিকেল অমসুং শেল থুমগী মতেং পীদুনা রাজ্যনা হোৎনরিবা অদুদা মতেং পাংবা খক্তনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃইন্তর কলচরেল রিছোর্সেস এন্দ পিছ বিল্ডিং হায়বসিদা নোংমগী ওইবা মালেম থাক্কী ৱার্কসোপ অমা ঙসি গভর্নমেন্ট হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কলেজ, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অদু গভর্নমেন্ট হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কলেজ ইম্ফাল, কাউন্সিল ফোর ইজ্‌কেসনেল এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ মেনেজমেন্ট মণিপুর চেপ্তর অমসুং য়েলহৌমী ফুরুপ মণিপুরনা পুন্না শিনবনি।

ৱার্কসোপ অদুদা কলচর, য়েলহৌমীশিংগী হক অমসুং মুকবগী মতাংদা খঙ হৈরবা স্কোলারশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা শরুক য়াখি। ৱার্কসোপ অসিগী পান্দমদি- তোঙান তোঙানবা ফুরুকশিংগী মরক্তা অমনা অমবু থাজবা হেনগৎহন্নবা অমদি শান্তি থম্বদা কলচরবু পাম্বে অমা ওইনা শিজিন্ননবা অমুক হন্না য়েংশিনবনি।

পম্প (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া কৃষি বিকাশ য়োজনাগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন ইম্ফাল ইষ্টনা জিলা অসিগী লৌমীশিংদা বেটরিনা চলাইবা নেপ সেক স্প্রেয়র পম্প অমসুং হেন্দ হ্বিল ৱিদর মেছিনশিং ঙসি য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কমিসনার নিভেদিতা লাইরেনলাকপমসু শরুক য়াখি। জিলা অসিগী খনগৎলবা লৌমী ৩৯ দা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি।

লোক সভা ঃ সংসদগী নোংজ্‌ মীফম ঙসি লোইশিন্দুনা মতম কক্তনা মীফম য়ৈথোকখ্রে। নোংজ্‌ মীফম অসি জুলাই ২১ দা হৌখিবনি।

লোক সভাদা ঙসিগী ওইনা অহানবা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না মীফম হৌবদা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়- মীফম অসিদা পুন্না সরকারগী বিল ১৪ পুথোকখি অমসুং পুন্না বিল ১২ পাস তৌখি। মহাকা হায়-

ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা অখন্ননা নুমিৎ নিনি চুপা খন্নখি। মদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পাউখুমগা লোয়ননা লোইশিনখি। অধ্যক্ষনা হায়- ভারতকী স্পেস প্রোগ্রামগী মতাংদা মায় পাকখিবশিংগী মরমদসু অখন্নবা খন্ন-নৈনবা অমা হৌদোকখি। মহাকা হায়- মীফম অসিদা ষ্টার ক্রেসন ৪১৯ এজেন্দাদা হাপখি অদুবু লেপ্তুনা অপনবা থোকহনবদগী ৱাহং ৫৫ খক্তমক হকথেংননা পাউখুম পীবা ঙমখি। সভাদা অয়েৎপা পীদুনা মতম মাংহনববু নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী বিরলানা হায়- হন্দক্কী মীফম অসিদা পুং ৩৭ লোমতমক থবক তৌবা ঙমখি।

সংসদ ঃ রাজ্য সভানা ঙসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা প্রমোসন এন্দ রেগুলেসন ওফ ওনলাইন গেমিং বিল ২০২৫ সংসদনা পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা ই-স্পোর্টস অমসুং সোসিয়েল গেমশিং পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা মাং তাকিঙাই ওইরবা ওনলাইন মনি গেমিং সার্ভিস এদভরতিজমেন্টনচিংবশিংগী অথিংবা থল্লি। রাজ্য সভাদা বিল অসি পুথোক্লদুনা কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই.টি. মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- ওনলাইন মনি গেমিংনা মীয়ামদা চৈথেং পীরে। মসিনা ইমুং কয়াদা শেল থুমগী অৱাবা মায়োকহল্লে। মহাকা হায়- ওনলাইন গেমিংদা চহি অমদা মীওই কোতি ৪৫ রোমা লুপা কোতি লিশিং ২০ লোম মাংহল্লি।

লম্বী (এল)ঃ অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা লৈবাক নিংখায়বদগী নেসনেল হাইৱে-টু (চুরাচান্দপুর-তিপাইমুখ) লম্বীদা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা লৈরম্বা অদু হৌজিক চৎথোক চৎশিন য়ারে হায়না সবদিভিজনেল ওফিসার হেংলেপ ওইরিবা মাংমিনথাং গাংতেনা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- লৈবাক নিংখায়বদগী হায়রিবা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা লৈবাক হজিল্লম্বশিং নিংথিনা শেংদোক্লে। সি জালেং ভিলেজ তাবা লম্বী নীংখায়খিবা অদুসু শেমজিল্লে। অদুমকপু মীয়ামা লম্বী অসিদা গাড়ি থৌবদা চেকশিন্নবা অমদি ট্রাফিক এদভাইজরিশিং ঙাকা চৎপীনবা আপীল তৌরক্লি।

কোভিদ (এল)ঃ   রাজ্য অসিদা ঙসি কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীওই অমত্তা থেংনখিদে। হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস ১ খক লৈরি হায়না হকশেল বিভাগকী আই.দি.এস.পিনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

এৱার্দ (এল)ঃ   ইমেজেস ওফ মণিপুরনা চহি খুদিংগী পীবা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০২৪-২৫ গী ওইনা জিরিবামদগী হামোম ধনি মীতৈদা পীরে। আই.ও.এম ষ্টার এৱার্দ ২০২৪-২৫ না মৈতৈ পুংদা লংদুমদগী অশেম বিনোই মৈতৈ, মৈতৈ ঈশৈদা বাশিংখোংদগী নামৈরাকপম ইনাউসনা চনু অমসুং ফোটোগ্রাফি (কলচর)দা থাংমৈবন্দদগী হৈস্নাম মনতোসতা পীরে হায়রি।

মনা (এল)ঃ     রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলনা চহি অহুম অহুম কান্নরগা পীবা ৭ শুবা তোইজম বিহারি নিংশিং সাহিত্য মনা ২০২৫ অচৌবা য়ুমামনা ইবা ড্রামাগী লাইরিক- উচেক লাংমৈদা পীরগনি। মনা অসি মথং থাগী ১০ দা ক্লব অসিগী ৩১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা খুৎশিন্নগনি।

পেন্সন (এল) ঃ   ওল্ড এজ পেন্সন কার্দ অমসুং আধার কার্দ অপদেট তৌবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবী লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়ট লাইনিংথৌ ভি.এল.এফ অমসুং মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

হোম গার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী থাগী খুৎশুমল মতম চানা পীথোকপীনবা অমদি দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স হেনগৎপীনবা রাজ্যপালদা চেরোল অমা পীদুনা হায়জখ্রে হায়রি।

কাডা (এল) ঃ   কোলিসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা)না শিন্দুনা ময়াই কাবা নিশানা মহৈরোইশিংদা পীবা চৈথেংগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা সোফিয়া ইংলিস স্কুল থৌবালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর অকোইজম জ্গেশ্বর, কাডাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ভিপি ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি মীখলগীদমক ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপ হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ বি. সুদরসন রেদ্দি ঙসি পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখ্রে। মীরেপচে পীশিনবা অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগে, দলগী লুচিংবা সোনিয়া গান্ধি, এন.সি.পি (এস.সি.পি) লুচিংবা শরদ পৱার, সমাজৱাদিগী রাম গোপাল যাদব, দি.এম.কেগী তিরুচি শিব অমসুং টি.এম.সিগী সতাব্দি রোই য়াওখি। মীরেপচে পীশিন্দ্রিঙৈ মমাংদা শ্রী রেদ্দিনা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা প্রেরনা স্থলদা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

উপ-রাষ্ট্রপতি মীখল অসিগী মীরেপচেশিং হয়েং স্ক্রুতিনি তৌগনি। থা অসিগী ২৫ ফাওবদা মীরেপচে লৌথোকপা য়াগনি। উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি। মমাং থাদা জগদিপ ধনখরনা মশাগী হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা ফম থাদোকখিবদগী মীখল অসি তঙাইফদনা তৌদবা য়ারক্তবনি। হন্দক্কী অসিনা ১৭ লক শুবা উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল ওইরগনি। উপ-রাষ্ট্রপতি অসি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী সদস্যশিং য়াওবা ইলেক্তোরেল কলেজ অমনা খনবনি।

নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)গী মীরেপ সি.পি. রাধাকৃষ্ণনসু ঙরাং মীরেপচে পীশিনখ্রে।

হেলথ ঃ   দিপার্টমেন্ট ওফ হেলথ রিছার্স অমসুং ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই.সি.এম.আর)না শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা মালেম থাক্কী মীফম অমা ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। মীফম অসিগী ৱাখল্লোনদি-

হেলথ রিছার্স এন্দ ইনোভেসন্স ইন পাব্লিক হেলথ হায়বসিনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা হকশেলগী রিছার্সকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নিতি আয়োগকী মেম্বর ডাঃ ভি.কে. পোলনা হায়- ঐখোয়না অমনা অমদগী তমনবা, রিছার্সতগী ফংবা মচাকশিং পুন্না শেম্মিন্নবা অমসুং বিগ্যানবু থবক্তা ওন্থোকবগী খুদোংচাবা কয়া চাউনা লৈ।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ভারতকী এষ্ট্রোনোট- গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লাগা উন্নখ্রে। মন্ত্রিনা গ্রুপ কেপ্তেন সুক্লাবু মহাক্কী মায় পাকপা অদুগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকখি অমসুং মদু ভারতনা সুন্দ্রংদা মী য়াওনা চৎপগী খোঙচৎতা অচৌবা পন্দুপ অমনি হায়না শিংথাখি।

ভিজিৎ ঃ   রিপাব্লিক ওফ ফিজিগী প্রধান মন্ত্রি সিতিবেনি রাবুকা নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভারত্তা লাক্কদৌরি। ৱারোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- খোঙচৎ অদুদা শ্রী রাবুকানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদিনসু মহাকপু ইকায় খুমদুনা চাকলেন অমা শিনগনি। প্রধান মন্ত্রি রাবুকানা নিউ দিল্লিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নগনি। নিউ দিল্লিদা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ ৱার্ল্ড এফ্যারসতা মহাকা ওসিন ওফ পিছ হায়বসিদা ৱা ঙাংগনি।

জেকে ঃ  জম্মু কাশ্মীরদা খুঙ্গংগী লমদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংবা হেনগৎহন্নবগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইনা রামবানগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না হোস্পিতালস ওন হ্বিলসকী থৌরাং মখাদা অথাপ্পা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা খুঙ্গংশিংদা মোবাইল মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্কুনা মতম চানা লায়েংবা, লেমা হিদাক পীবা অমসুং তঙাইফদবা লায়না লাইওং খঙদোকবা খুঙ্গংগী মীয়ামদা ভাব তাহনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

ফাইন ঃ মীয়ামদা লান্না লমজিংবা অমসুং লল্লোনবগী থবক্তা অরানবা থৌওং চত্থবগীদমক সেন্ত্রেল কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ওথোরিতিনা লনাই বাইক টেক্সি কম্পনি অমবু লুপা লাখ ১০ ফাইন থিনবা খণ্ডহনখ্রে। ওথোরিতি অসিনা কম্পনি অসিগী এদভর্তিজমেন্ট মিনিত মঙাদা ওতো ফংহনগনি নত্রগা লুপা ৫০ পীগনি হায়বা অদু মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি হায়না কোগনিজেন্স পীখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরানঃ ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী ফাইনেলদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদকা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি।

পনবা য়াবদি, কোলকাতাদা ঙরাং শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিনা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি। অহানবা সেমি ফাইনেলদা নোর্ট ইষ্ট য়ুনাইতেদনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখি।

ফুটবোল ঃ তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বুলস য়ুনাইতেদনা ফলোং ৱাই.ওবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মোদেল বেপটিষ্ট চর্চনা দব্লিউ.পি ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

এআর ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা চান্দেল জিলাগী মোলচাম ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা খুল ১০ দগী লাকপা নহাশিংনা শাবা টিমগা অসাম রাইফলসকা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু শান্নখি।

খেল্লো ঃ নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা খেল্লোন ইন্দিয়া ৱাটর স্পোর্টস ফেষ্টিভেল জম্মু কাশ্মীরগী দাল লেক্তা ঙসিদগী হৌখ্রে। স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী

লাকপা শান্নরোই ৫০০ রোমনা রোয়িং, কেনোয়িং অমসুং কয়াক্কিংগী মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি।

------